# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — The Messenger of the Masses


স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টর, পোরোম্পাৎনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লেম্না হার্ট লায়েংবগী কেম্পতা ডোক্তর শ্যামকিশোরনা অনাবা অমা লায়েংবা



খুন্দ্রাকপম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বর অমসুং ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু শামজাইনা লূচিংবা টিমগা উ চারা থামিন্নবা



সেকমাইজিনদা লৈবা লন্নাই মীওই অমগী য়ুম শাৎ হৈবদা শীজিন্নরম্বা ময়াং ১৫ জে সী আই এল পি এস, ৱিমন ৱিংগী থৌমীশিংনা ফারগা পাউমীশিংগী মাঙদা পুথোকপা



হিয়াংলম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী হাংদুনা লৈরিবা এম এল এগী সিট মেনশিন্নবা পাঙথোক্কদবা বাই-ইলেক্সনদা মীরেপ পুথোক্কদৌরিবা এম পি পিগী কেম্পেন




৩৮শুবা চহী,১৭৮শুবা মশিং | নিংথৌকাবা, লাংবনগী ১৪নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Monday, September 08, 2014, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা- ৩১.৯ দিগ্রী সেলসিয়স
খ্বাইদগী ঈংবা-২১.৪ দিগ্রী সেলসিয়স
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিল-
অয়ুক-চাদা ৭৪
নুংথিল -চাদা ৭৭
নোংজুগী চাং-০.০ এম এম
নুমিৎ থোকপা -অয়ুক পুং ৪.৫৯
নুমিৎ তাবা-নুংথিল পুং ৫.২৪


## উখ্রুলদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

### লো এন্দ ওর্দর ফগৎলক্লবদি তপ্ন-তপ্না সিক্যুরিটি ফোর্স লৌথোক্কনি : গর্ভর্ণমেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী) অমদি তাঙ্খুলগী তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা ঈ-নাই তাবা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিনখিবা মতুং মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ অমনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা থল্লম্বা সীআর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী অথিংবা অদু ঙসিদগী লৌথোকখ্রে।

মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) ডো. জে সুরেশ বাবুনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা সীআর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী অথিংবা উখ্রুলদগী লৌথোক্লে হায়বসি খঙহল্লকখিবনি। লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসি মখা তানা ফগৎলক্তুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবদি উখ্রুল টাউন্দা থল্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং তপ্ন-তপ্না লৌথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা জুলাই ১২দা এন এস সী এন (আই এম)গী কাদরশিং ওইরমগনি হায়না চিংনবা খুৎপু অমনা উখ্রুল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী)গী মেম্বর ঙলাংজর মালুই নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী নোংঙানবগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ-ক্বার্টরসতা মণিপুর পুলিস কমান্দোগী পর্সনেলশিং থাজিন্দুনা ফুঙ্গ্রেতাংদা লৈবা আই এমগী কেম্প খুদুম চনশিন্দুনা কাদর কয়ামরুম ফাগৎখি। নুমিৎ অদুদগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস অসিদা সীআর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থল্লকখিবনি।



য়ু এন সী অমদি তাঙ্খুলগী তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগী দিমান্দ মতুং ইন্না উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী সীআর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোক্লবসু য়ু এন সীনা মণিপুরগী মীওই লাক্ষ কয়ামরুম চৈথেং ফংহল্লিবা মতম কক্তবা বন্দদি ঙসি নুমিদাং ফাওবা লৌথোকপা লৈত্রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, মণিপুরগী মীয়ামদা চৈথেং ফংহল্লিবা মতম কক্তবা বন্দ অসি হন্দোক্লবা সেন্ট্রেল গর্ভর্ণমেন্টনা আই-এমগী মোনিটরিং সেলগী খুথাংদা য়াম্না কনবা প্রেসর পীরে। প্রেসর অসিনা মরম ওইরদুনা য়ু এন সীনা বন্দ অসি হন্দোক্লবা ৱাফম অথুবদা খন্নরবা য়াই হায়রি।

অদুমকপু মতম কক্তবা বন্দ চথবা ৪নি চনবা নুমিৎ ওইনা ঙসি দিমাপুরদগী ইম্ফাল তম্না চঙলকপা পেসেঞ্জর পুবা টাটা ৱিঙ্গর ২ বন্দ শৌগৎপশিংনা মাও কৈথেলদা ফাখি। পেসেঞ্জর অমমমদগী ইম্ফাল ফাওবগীনি হায়দুনা দ্রাইভরনা লুপা ১,২০০ লৌশিল্লমখি। হান্নদি দিমাপুরদগী ইম্ফাল ফাওবগী লন্বী অসিদা টেক্সি সার্বিস তৌবশিংনা পেসেঞ্জর অমমমদা লুপা ৬০০ লৌরম্বনি হায়রি।

নেসনল অমদি ষ্টেট হায়ৱেশিং থিংজিনখিবনা মরম ওইরদুনা হৌজিক হৌজিক নাগালেন্দগা মণিপুরগা তায়নবা নাগালেন্দগী ঙমখৈ মনুংদা মীওই কয়ামরুম অৱাবা মায়োক্নদুনা লৈরি। মতম শাংনা মপান লমদা লৈরুবা অমসুং বন্দ অসিনা মফম অদুদা পন্দুনা লৈরকপদা মখোয়দা য়াওরকপা শেনফমশিংসু লোইশিনখিবদগী চরা হেনবা য়াওনরে হায়রি।

## অধার ফংদবদগী প্রধান মন্ত্রি জন ধন যোজনাগী কান্নবা ফংবা ঙমদ্রে

### মণিপুরদা ওরিজিনল অধার কার্দ পীদ্রি : ওথোরিটিজ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা অধার নম্বর ফংদবদগী মোদি গর্ভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা পীবা প্রধান মন্ত্রি জন ধন যোজনাগী কান্নবা ফংবা ঙমদ্রে, মমাঙ চহীদা ইম্ফাল ইষ্টকী মহাবলি ময়াদা পুল্লপ হুন্দোক্লম্বা অধার কার্দশিংদা মখোয় মখোয়গী অধার কার্দ য়াওখ্রবরা হায়বগী ৱাহং নৌনা হংনরক্লে।

দেবিট কার্দতা লুপা লীশিং ৫গী বেলেন্স অমা হাপ্পীরগা খুদোংথিবা থোরকপদা লুপা লাক্ষ ১ ফংবা অমসুং মথং চহীগী জনুৱারী ২৬ ফাওবগী মনুংদা বেঙ্ক একাউন্ট হাংবশিংদা লুপা লীশিং ৩০গী লাইফ ইন্স্যুরেন্স কোভর তৌহনবা প্রধান মন্ত্রি জন ধন যোজনাগী কান্নবা লৌনবগীদমক বেঙ্ক একাউন্ট হাংবদা অধার নম্বর মথৌ তারকখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা অধার কার্দ পীবগী মথৌ তৌরিবা কম্পনি অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা মনিট্রোনগী ওফিসল অমগা উনবদা ওফিসল অদুনা হায়খি, মণিপুরগী ওইনা অধারগী ওরিজিনল কার্দতি পীবা লৈত্রি।

মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না হৌজিক ফংলে হায়রিবা অধার কার্দ অসিদি ওরিজিনল নত্তে। অধার কার্দকীদমক ফোটো নমখিবা নুমিৎতা পীবা চেরোলদা য়াওখিবা নম্বর অদু অধার কার্দকী ৱেবসাইটতা চঙলগা মশাগী নম্বর কয়ানো হায়না খঙদোকপা য়ারে। হায়রিবা নম্বর অদু খঙলবদি মীয়াম্না হিরম অমদা হেক্তুমক শীজিন্নবা য়ারে। মীয়াম্না ফংলে হায়রিবা অধার কার্দ অসিসু ইন্টরনেটতগী অদুমক দাউনলোদ তৌজবা য়াই।

মীয়ামদা ফংহনগদবা অশেংবা অধার কার্দতদি দেটা কয়ামরুম য়াওবা চিপ অমা য়াওগনি। মসিদি লোকেল রেজিষ্টার ওফ য়ুজুএল রেসিদেন্ট (এল আর য়ু আর) লিষ্ট থোক্লবা মতুংদা ষ্টেটসিগী মফম শীনবা থুংনা খঙহল্লগা মিং, লৈফম্নচিংবা ওন্নবা কয়া চুমথোক্লবা মতুংদা অশেংবা অধার কার্দ অদু পীবা হৌগদবনি হায়রি।

ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা মীপুম খূদিংদা য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বর য়াওবা অধার কার্দ পায়হন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না মণিপুরগী ওইনসু অধার কার্দকী ইনরোল তৌখিবা মীওই ১০,০৮,৩০০ রোম শুখ্রে।

মনিট্রোনগী অতোপ্পা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মণিপুরদা কুমজা ২০১১গী ফেব্রুৱারী থাদগী অধার কার্দকীদমক বাইওমেট্রিক ইনরোলমেন্টকী থবক লৌখৎতুনা ফিঙ্গর প্রিন্ট, আইরিস কেপচরনচিংবা তৌবগী থবক চথুরকখি। ষ্টেটসিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, তমেংলোং, চান্দেল অমদি চুড়াচান্দপুরনা মনিট্রোননা বাইওমেট্রিক ইনরোলমেন্টকী থবক চথৈ। লেমহৌ-রিবশিংনা ইন-মেদিয়া কৌবা ফার্ম অমনা তৌই। লৈকায় লৈকায়দা চত্তুনা বাইওমেট্রিক লৌবগী থবক কয়া চথখ্রে। ৱাৎহৌরিবশিংগীদমক য়েংলগা হৌজিক গান্ধী মেমোরিএল হোলদা কেম্প হাংদুনা লৈরি।। মসিদা মনিট্রোনগী ওফিসল কয়া দ্যুটি তাদুনা বাইওমেট্রিক ইনরোলমেন্টকী থবক চথুরি।

মণিপুরদা বাইওমেট্রিক ইনরোল-মেন্ট চথুরিবা অসি নেসনল পোপ্যু-লেসন রেজিষ্টারগী মতুং ইন্না চথবনি। সেন্সস রেকোর্দতা য়াওবশিং ইনরোল-মেন্টকী থবক চথৈ। বাইওমেট্রিক ইনরোলমেন্ট লৌরিবশিং অসি য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই দি এ আই)দা থাই। য়ু আই দি এ আইগী রেকোর্দ মতুং ইননা মণিপুরগী ওইনা অধার কার্দকী ইনরোল তৌখিবা মশীং অসি ১০,০৮,৩০০ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৩,০২,৬০৭, ইম্ফাল ইষ্টতা ২,৫০,৩৭০, থৌবালদা ৬৫,৬৯৯, চুড়াচান্দপুরদা ১৫,৯৩০, বিষ্ণুপুরদা ৬৮,৬৪৩, চান্দেলদা ৫২,০৪৮, তমেংলোংদা ৩১,৬৫২, সেনাপতিদা ২৭,১০৯... *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## কাপশিঞ্জদুনা শিজখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ : লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সগোলবন্দ সয়াং পুখ্রি মনাক্তা লৈবা ডোক্তর অমগী মচানুপা মপাগী লাইসেন্স নোংমৈনা মশা মথন্তা কাপশিঞ্জদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৫ রোম তাবদা শিজখ্রে। লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী মমিং ৱাহেংবম থেম্বুং (১৮) কৌই। মহাক ডোক্তর ইমোগী মচানুপানি।

## বোম থল্লম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ : সঙাইপ্রৌ এফ সী আই গোদাউনগী মমাঙদা লৈবা ইম্ফাল ইষ্টকী ব্লোক দিবেলপমেন্ট ওফিসর খুন্দোংবম চাওবা (৫৭)গী য়ুমদা শকখঙদবা মীওই খরনা লংশিল্লম্বা ওইরমগনি হায়না চিংনবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরম্লে। ঙসি অয়ুক য়ুমগী মীওই অমনা য়ুমগী গেট ময়াদা হেন্দ গ্রেনেদ অদু তাদুনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি। লম্ফেল পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা হেন্দ গ্রেনেদ অদু লৌখৎলবা তুংদা দিস্পোজ তৌখ্রে।

## লাই খুরুম্বা য়ারোই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭: মোংবহনবা অমদি উমংলাই কনবা লূপনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দা মীয়াম্না মোংবহনবা (মহাবলি) উমং মনুং চঙশিন্দুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা লাই খুরুমগনি থৌরাংলিবসি য়ানবা পুরক্লিফাওবা তৌবীদনবা মহাবলি সেবায়েট অমসুং মহাবলি সেবা সম্মিটিনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে। উমং মনুংদা লাই খুরুম্বগী মহুত্তা হান্নদগী হৌনা মহাবলিগী মপান্দা লৈবা ৱাটর সপ্লাই হিদেনদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু মফম অদুদা তৌবীয়ু। উমং মনুং চঙবগী অথিংবা লৈবনা লাই খুরুমগনি হায়বসি মরম চাদে। করিগুম্বা উমং মনুংদা লাই খুরুম্বা চঙলক্লবদি থিংগনি। লাই খুরুম্বা থিংবীনবা ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী অমদি এস পিদা চেরোল থারগনি।

## ফ্রী হার্ট কেম্প

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭: স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টর, পোরোম্পাৎনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ফ্রী হার্ট কেম্প (মরুওইনা হোলস অমসুং ভাল্ব) অমা চীফ কার্দিওলোজিষ্ট ডো. এল শ্যামকিশোর অমসুং ফোটিস এস্কোর্টস, ন্যু দিল্লিগী পেদিয়াট্রিক কার্দিওলোজিষ্টকা লোয়ননা ডো. এল শ্যামকিশোরগী লৈফমদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। *মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## য়ুমগী শাৎ হৈরম্বা ময়াং শিন্মী ১৫ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টেম চৎনহন্নবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ চৈরক্তা সেকমাইজিনদা য়ুমগী শাৎ হৈবগী থবক শুহল্লম্বা চহী শুদ্রিবা অঙাং ১ য়াওনা ময়াং ১৫ ঙসি জে সী আই এল পি এস ৱিমেন ৱিংগী কাঙবুনা ফাগৎখ্রে।

ফাগৎলবা ময়াং ১৫ অদু বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশতগীনি। খুয়াথোং অমসুং ইম্ফালগী মফমশিংদা অশানবা য়ুমশিংদা লৈবনি। ময়াং ১৫ অদুবু য়ুমগী শাৎ হৈবগী থবক তৌহল্লল্লিবা য়ুম্বু অদুনা থবক্তগী পোথারবা এম সী এস ওফিসর থোঙাম হেরামনী কৌই, সেকমাইজিন কৈথেলদগীনি।

হায়রিবা ময়াং ১৫ অসি তেরা লুক্রাম লৈরক্তগী কংক্রিক মেছিন চলাইদুনা শাৎ হৈবগী ওর্দর লৌবা থৌনাওজম প্রিয়ানন্দা (৩৫) অপোকপা টি ঐচ চুরানা নেক্লগা পুরকপনি হায়রি। ফাগৎলবা মখোয় ১৫ অমসুং মখোয়বু থবক শুনবা নেক্লম্বা প্রিয়ানন্দা ঙসি নুংথিল নোংমৈবুংদা লৈবা জে সী আই এল পি এসকী ময়ায় লোইশঙদা পাউমীশিংগী মমাঙদা পুথোকখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জে সী আই এল পি এস ৱিমেন ৱিংগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর এন চিংখৈঙানবীনা পাউমীশিংদা হায়খি, জে সী আই এল পি এসনা মণিপুরদা আই এল পি এস চৎনহন্নবা দিমান্দদা লমদমসিগী য়ুমথোং খুদিংদা শক্তাক-চে শুনা পায়দবা মীতোপ মীয়ানচা চঙহন্দবা, ময়াংদগী পোৎ লৈদবগী খোঙজং হৌখ্রে। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ৱিমেন ৱিংনা ময়ায় লম্বীগী খুনশিংদা শক্তাক-চে শুনা পায়দবা মীতোপ মীয়ানচাশিং থিদোকপা চৎখি।

খোঙচৎ অদুদা সেকমাইজিন্দা লৈবা থবক্তগী পোথারবা এম সী এস ওফিসর থোঙাম হেরামনীগী য়ুমদা ময়াং ১৫ শাৎ হৈবগী থবক তৌরমখি। ময়াং ১৫ অসিনা তেরা লুক্রাম লৈরক্তগী টি ঐচ প্রিয়ানন্দনা নেক্তুনা পুরকপনি। মখোয় ১৫ গী মনুংদা অয়াম্বনা অশেংবা শক্তাক-চে পায়রমদে। ঙক্লিবদি ময়াং ১৫ অসিদা রাইজিং নোলেজ ক্লব, খুয়াথোংনা ওথোরিটি শাদুনা মণিপুরদা লৈবা য়ানবা কার্দ অমমম ইসু তৌরম্লে। কার্দ অমা শাবদা ময়াং অমদগী লুপা ২০০/২০০ লৌই হায়বসু খঙলে।

ক্লব অসিনা শেল লৌদুনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট অমত্তা য়াওহন্দনা কার্দ ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## 'বন্দ হন্দোকহন্নবা য়ু এন সীগী লূচিংবশিং উনরুগনি'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : উখ্রুল থৌদোক্কী মখা তারকপদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথুরিবা অসি হন্দোক্লবা বি জে পিনা অপিল তৌরি, সেনাপতিদা চত্তুনা লিদর কয়াগসু উনগনি হায়না বি জে পি মণিপুরগী ইন-চার্জ ওইরিবা তপির গাওনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা তপির গাওনা হায়খি, ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌদুনা নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং থিংবনা মীয়ামদা ৱাহল্লি। সেনাপতিদা চত্তুনা নাগা লিদর কয়াগসু উনদুনা ৱারী শাগনি। সোল্যুসন অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। সোল্যুসন পুরক্লবগীদমক লমদমসিদা ওইরিবা ফীভমশিং য়েংলগা সেন্টরদা রিপোর্টসু থাগনি। ষ্টেটসিদা ওইরিবা ফীভম অসি য়েংশিন্নবা এন দি এ গর্ভর্ণমেন্টনা সেন্টরদগী মকোক থোংবা ওফিসল টিম অমসু মণিপুরদা থারক্তুনা য়েংশিনহনবা লৈখ্রে।

মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) গী ইসু অসিসু য়াম্না মরুওইবা ইসু অমা ওইরি। ষ্টেটসিদা চহী ১০ হেন্না পাল্লক্লিবা গর্ভর্ণমেন্ট অসিগী মতমদা আই এল পিগী ইসু অসি পেনিদং থমদুনা লাক্লি। চীফ মিনিষ্টরনা তঙাইফদবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা সেন্টরদা তক্লবা চঙই। ষ্টেটসিগী মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরাং কয়াদা বি জে পিনা মিৎয়েং চঙদুনা লাক্লি। লোক্তাক শেংবগী মতাংদসু বি জে পিনা মিৎয়েং চঙখিগনি।

বি জে পি গর্ভর্ণমেন্টনা মণিপুর ষ্টেটকীদমক য়াম্না খল্লি। মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংনবা অয়াবসু পীখ্রে। লমদমসি স্পোর্টসতা মাঙজিল থাবা অমদি থৱায় য়াওবা লম ওইবনা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংনবা থবক পায়খৎলকপনি। মীয়াম্না য়াবা ষ্টেটসিগী মফমদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শানবা থৌরাং তৌরক্কনি।



লমদমসিদগী হৌখিবা শান্নরোয় মেরি কোমগী ফিল্ম ফাওবা পুথোকখ্রে। মেরি কোমগী ফিল্ম শান্ন-খোৎনবগী মশক কয়া উৎলি।

বি জে পি, মণিপুর প্রদেশসু য়াম্না মপাঙ্গল ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## ডোক্তর লৈরমদবদগী অনাবা শিরে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ০৭ (জেএনএন): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জিরিবাম সব-দিভিজনগী বোরো-বেক্রা হেল্থ সেন্টরদা লায়েংনবা পুরকপা অনাবা অমা সেন্টর অদুদা ডোক্তর লৈরমদবদগী লায়েংবগী খুদোংচাবা অমফাওবা ফংদনা নুপী অমা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা নুপী অদুগী মমিং ৱাইরাকপম বিমোলা কৌই। মশাগী চহী ৪০ রোম শুরে। লমতাই খুনৌদগী লৈখিদ্রবা ৱাইরাকপম ইবোয়াইমগী লোয়নবীনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, ৱাইরাকপম বিমোলা মশা য়াম্না কন্না ঙল্লক্তবদগী ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা বোরোবেক্রা হেল্থ সেন্টরদা লায়েংনবা পুখৎলকখিবনি। হোস্পিটাল য়ৌরগা অনাবা ফগনি হায়না য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হেল্থ সেন্টর অসিদা পুখৎলকপদা ডোক্তর অমফাওবা লৈরমদে। মদুনা মরম ওইরগা মতম চানা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংদনা মহাক লৈখিদ্রে।

গর্ভর্ণমেন্টকী হোস্পিটাল অমদা ডোক্তর লৈতবদগী অনাবা লৈখিদবা থৌদোক অসি বারাক সার্কলদা লৈরিবা মীওই কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোক্নরক্লি। হেল্থ সেন্টরদা ডোক্তর লৈতবনা মরম ওইদুনা ৱাইরাকপম বিমোলা লৈখিদবগী থৌদোক অসিদা বারাক সার্কল দিবেলপমেন্ট দিমান্দ কম্মিটি, জিরিবাম (বি সী দি দি সী) গী চ্যেরমেন কে ঐচ রাজেশনা থম্মোয় শোক্লা নুঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং থৌদোক অসিদা মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টনা মিৎয়েং চঙবীনবা আপিল তৌরক্লি।

## অফস্পা লৌথোক্লবা সেন্টরদা প্রেসর পীয়ু : সেনিয়র সিটিজন্স

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট, ১৯৫৮ লৌথোক্লনবা চহী ১৪ চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা ইরোম শর্মিলা চনুগী পুন্সি কনবা সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটিনা পাম্মী। মরম অদুনা শর্মিলাগী পুন্সি কন্নবনি হায়দুনা মহাকপু ফাজিনবগী মহুত্তা ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টনা অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোক্লবা সেন্টরদা প্রেসর পীয়ু হায়না সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটি, মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটি, মণিপুরগী এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইনা হান্নগী মিনিষ্টর লাইশোম ললিতপু খল্লে হায়না লাউথোক্লদুনা সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটিগী সেক্রেটরি এদভোকেট খাইদেম মনীনা হায়খি, কোর্টনা শর্মিলা মশা মতোমতা শিজনবা হোৎনবা নত্তে, মহাক্না তাল্লিবা দিমান্দ অদু ফংননবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবনি হায়দুনা থাদোকহনখ্রবনি। শর্মিলাগী পুন্সি কন্নবনি হায়দুনা ফাজিনবনা য়ারোই। অফস্পা লৌথোক্ত্রিমখৈ শর্মিলাগী পুন্সি কনবা ঙল্লোই। মরম অদুনা মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টনা ষ্টেট পুম্বদগী দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোক্তুনা সেন্টরদা অফস্পা লৌথোক্লবা তকশিল্লু।

মহাক্না মখা তানা হায়, সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটিনা আই এল পি সিষ্টেমগী মতাংদা সিম্পোজিয়ম কয়া পাঙথোকপদা নত্তনা পেনেল দিস্কসনশিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা অখঙ-অহৈশিংনা পীরকখিবা কম্মেন্টশিংগী মতুংইন্না নন-মণিপুরীশিং মণিপুরদা চঙলকপদা রিজনেবল রেষ্ট্রিক্সন অমা মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টনা আইন অমা শেম্লগা চঙহল্লু।

হন্দক উখ্রুলদা থোকখিবা থৌদোক গর্ভর্ণমেন্টনা মতম চানা লাকশিল্লম্লবদি থোক্লম্লোই হায়রদুনা খাইদেম মনীনা হায়খি। অকক্লবা কম্যুনিটি অমগী ইন্টরেষ্টতা ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌবগী খোঙজং অসিদি তৌহন্নিংদে। ইকোনোমিক ব্লোকেদ হায়বসিদি আইন্না য়াদবা অমনি। ইকোনোমিক ব্লোকেদনা শোকহল্লিবসি খুন্নাই পুম্বদনি। মথৌ তারবদি ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরিবা ওর্গনাইজেসন অদু বেন তৌবফাও য়াই। মরম অদুনা মণিপুর গর্ভর্ণমেন্টনা অৱৈবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি থিংঙু। গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দতা উমংলাই পুনশিনবা তৌহন্নিংদে। উমং লাই কন্নবা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংনসু হীরমসিগা মরী লৈননা কোর্টতা পি আই এল অমা থাঙ্গৎহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পাউগী মীফম অদুদা সেনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## ইমপ্লোয়ীশিংগী মরল-মথুম লাউথোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : পব্লিক সার্বেন্ট খুদিংমক্না পব্লিক সার্বেন্টস (ফর্নিশিং ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ এন্যুএল রির্টন ওফ এসেটস এন্দ দ লিমিটস ওফ এগজেমসন ওফ এসেটস ইন ফাইলিং রিটর্নস) রুলস, ২০১৪ গী রুল ৩ (২) গী মখাদা পব্লিক সার্বেন্ট খুদিংমক্না মখোয়গী এসেটস অমসুং লাইএবিলিটিজ লাউথোক্কদবনি হায়না অন্দর সেক্রেটরি (দি পি), গর্ভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর টি সী গাংতেগী চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, পব্লিক সার্বেন্টস রুলস, ২০১৪ গী মখাদা পব্লিক সার্বেন্ট খুদিংমক্না চহী খুদিংগী মার্চ ৩১ ফাওবদা লৈবা মখোয়গী এসেটস অমসুং লাইএবিলিটিজগী ৱারোল অদু চহী অদুগী জুলাই ৩১ নত্রগা মসিগী মমাঙদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

## ইরোম শর্মিলাগা উনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : অৱর ইন্দিয়া ফাউন্দেসনগী ট্রেজরর মুষ্টাফা মুহমদ অমদি ডো: পি কে অব্দুর জাকসুলামিনা ঙরাং ইরোম শর্মিলা চনুগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে। ক্বাকৈথেলদা লৈবা হ্যুমন রাইটস এলার্টকী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ডো: পি কে অব্দুরনা হায়খি, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট (অফস্পা) লৌথোকখিনবা খোঙজং চঙশিল্লিবী ইরোম শর্মিলাগা ঙরাং উনদুনা ৱারী শানবদা মহাক্কী দিমান্দদা সপোর্ট তৌবীয়ু হায়বা ৱাফম থল্লক্লি। শর্মিলাগী খোঙজংবু সপোর্ট তৌবা ওইনা কেরালাদা হল্লবা মতুংদা মীটিংনচিংবা কয়া পাঙথোক্কনি। অফস্পাগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। জষ্ট পিছ ফাউন্দেসনগী মীহুৎশিংনা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৫৮ গী সেপ্টেম্বরদা...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## থাউ পীগদবা মফম

**পেট্রোল**

পি সী টি সী খুয়াথোং (কে এল ২০ মনুংদা কে এল ৪না গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট/এজেন্সীশিংগী), আই ও এ চীংমৈরোং (কে এল ৮), ইসর কোইরেঙ্গৈ (কে এল ১২), এন আর এল খাবম (কে এল ১০ এফ ঈ জি ও সী টি এগী রিজার্ব), এন আর এল খুরাই (কে এল ১৫) অমসুং এন আর এল উরিপোক (কে এল ১২)।

**দীজল**

পি সী টি সী খুয়াথোং (কে এল ১৫), এন আর এল খাবম (কে এল ৫ এফ ঈ জি ও সী টিএগী রিজার্ব), এন আর এল শিংজমৈ (কে এল ১২), এন আর এল থৌবাল (কে এল ১২) অমসুং বি ঈ নোর্থ এ ও সী (কে এল ৭)।

## অস! লোইরেহে!




## শক্লাইরবা শৈরাংবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা ইবা লাইরিক অনী ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচএনএস) : মীয়াম্না শকখঙ-মায়খঙনরবা শক্লাইরবা শৈরাংবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা ইবা লাইরিক অনী ঙসি নুংথিল পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা ফোঙখ্রে।

শক্লাইরবা মীওই কয়াগা লোয়ননা মীয়ামদা লান্থোকখ্রবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মগী লাইরিক অনী অদুদি *ক্লিওপত্রা : অপাম-নুংশি লাংথাকপী* অমসুং *গ্রীক্কী অরিবা লাইশিং অমদি থৌনা ফবা-থৌনা ফবীশিং* হায়বসিনি।

এল কে পব্লিকেসন্স, ইম্ফালনা পুথোকপা লাইরিক অনী অসি সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লি, মণিপুরগী এদভাইজরি বোর্দকী হান্নগী কনভিনর প্রো. নাওরেম খগেন্দ্র, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট প্রো. এলাংবম দিনমণি অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচরগী কমিস্নার ওইরম্বা ডো. আর কে নিমাইনা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা ফোঙখি।




জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী হান্নগী দিরেক্টর লোংজম জয়চন্দ্রনা *গ্রীক্কী অরিবা লাইশিং অমদি থৌনা ফবা-থৌনা ফবীশিং* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী মশক তাকখি। দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ থোকচোম ইবোহনবীনা *ক্লিওপত্রা : অপাম-নুংশি লাংথাকপী* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিগী মশক তাকখি।

থৌরম অদুদা হুইয়েন লানপাউ কলমনিষ্ট ফোরমগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা লাইরিক অনী অসিবু ইখিবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা হায়খি, ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর) দা লৈরিঙৈদা ঐচ রিদর হেগ্গার্দকী নোবেল মহারানি ক্লিওপাত্রাগী শরুক খরা খনগৎলগা মীতৈ লোলদা হন্দোকখি। চাউরবা *ক্লিওপত্রা*গী ৱারীসি মপুং ফানা হন্দোক্তুনা ফোঙবা ঙমদবসু য়াই হায়না খনবদগী হান্না হন্দোক্তুনা লৈখিবা খরদু কুমজা ১৯৯৭গী সেপ্টেম্বর ১৯দা শৈরেংগী মওংদা ইথোকপা লোইখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, গ্রীকতা থৌনা ফবা, ফবী কয়ানা লৌরম্বা থৌদাংশিংগী মতাংদা দল্লিয়ু ঐচ দি রুসনা ইংলিশ লোলদা ইবা *গোদ'স; হেরোজ এন্দ মেন ওফ এন্সেন্ট গ্রীস* হায়বদুদগী *গ্রীক্কী অরিবা লাইশিং অমদি থৌনা ফবা-থৌনা ফবীশিং* হায়না মিংথোল্লগা ইথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অনী অসিনা গ্রীককী মরমদা মমুৎ তানা খঙহনবতা নত্তনা হৌজিক্কী মীরোলদা কান্নবা পীবা ঙল্লগনি হায়না ফোঙদোক্লখি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

## মথংগী এসেগী টোপিক

**৬০শুবা এসেগী টোপিক :** *বন্দনা মহৈরোয়শিংদা পীবা চৈথেং*

**খঙজিনবীগদবা :** ১) তরু তনান্না ইরগা নৎত্রগা কম্প্যুটর প্রিন্ট তৌরগা থারক্কদবনি, পাবা থোক্তবশিংগীদি খন্নরোই।
২) ক্লাস টেনদগী টুয়েল্ব ফাওবগী থাক্তা লৈবা মহৈরোয়শিংতগী কম্পিটিসননি।
৩) ৱাহে ৫০০দগী হেল্লোইদবনি, ইরাই নুমীৎ খূদিংগী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবদা, ওফিস মতমদা এসে য়ৌহনবীরক্কদবনি।
৪) এসে থাবীরকপদা মহৈরোয়গী মমিং-মথা, লৈফম, স্কুল মমিং, ক্লাস, কন্টেক্ট নম্বর, পাসপোর্ট ফোটো ১ হাপ্পীরক্কদবনি।

*হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*